ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট লময়ানবা ইপুনা নহারুপ অৱাং লৈকায়দা রিবন কক্তুনা নোংপোক লমজিং নহারোলগী পুক্কে শঙ শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখিবা

লৌফম কন্ননবা করি থৌশিল থৌরাং পায়খৎলবগে : এম পি দি এফ

☛ লামায় ২

মীতৈ ফুরুপ কন্নবা হোৎনগদবনি : ইপু

☛ লামায় ৩

ৱৰ্ল্ড সোইল দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

☛ লামায় ৬

মৈগী চীং পোকখায়রকপদগী য়ামদ্রবা মীওই ১৩ শিরে

☛ লামায় ৮

য়াইস্কুল এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট হুইদ্রোম বিক্রমজিৎনা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা বেনিফিসরি ৩৮৪দা ঈ-শ্রম কার্দশিং য়েন্থোকখিবা

YAISKUL A/C BE
By
TENDIN
Wa

Vol. 45, Issue No. 251 | নিংথৌকাবা, পোইনুগী ২/৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, December 06, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

রাধাকুমারগী 'আ থম্মোয় লকানুংদগী' ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫(ঐচএনএস): কাংজম রাধাকুমারনা ইবা পূন্না লমায় ৫১৬ পানবা 'আ থম্মোয় লকানুংদগী' মিংথোনবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমগী বেঙ্গলি অমসুং মীতৈ ময়েক্কী এদিসন অনীমক ফোঙদোকপগী থৌরম অমা ঙসি গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজদা শক্লাইরবা লাইয়েকপা থোইদিংজম তোম্বীনা থৌরম মপু ওইদুনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অসিদা অইবনা লাইরিক অসি ৱারীমচা ৪০গী লাইরিকনি হায়রদুনা ইবগী থবকসি অঙাং ওইরিঙৌদগী হৌরক্লগসু ফোঙবদি

...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

এম এল এ রোবিন্দ্রোবু দিসক্বালিফিকেসন তৌবগী ওর্দর হায় কোর্টনা চৎনহনখিদ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫(ঐচএনএস): মার্চ ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা থাঙ্গ এ সীদগী কারকখিবা তোংব্রম রোবিন্দ্রো (৫০) অপোকপা টি তোম্পোক, কাইরেনফাবী মমাঙ লৈকায়বু মহাক্কী ওরিজিনেল পার্টি থাদোক্লগা কোংগ্রেসতা য়াওরে হায়বগী চার্জদা য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ টি ঐচ সৈত্যব্রতনা ফাইল তৌরকখিবা দিসক্বালিফিকেসন কেস নম্বর ১ ওফ ২০২০গী মতুংইন্না এসেমব্লিগী স্পিকরনা জুন ১৮, ২০২০দা দিসক্বালিফাই তৌবগী থোকখিবা ওর্দর অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা চৎনহন্দনা থমখ্রে।

কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পীখিবা জজমেন্ট অমদা টি রোবিন্দ্রোবু এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌরে হায়দুনা পীখিবা ওর্দর অদু চৎনহন্দনা থল্লে হায়খিবনি।

পনবা য়াবদি, স্পিকরগী ওর্দর অসিনা মহাকপু দিসক্বালিফাই তৌরে হায়রকপগী মায়োক্তা মহাক্না কোর্টতা

...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

নাগালেন্দদা লান্মীনা মীচম ১৩ হাৎখ্রে

খুঞ্জাশিংনা সিক্যুরিটিগী গাড়ী ১দি কেম্পশিং মৈ থাখ্রে, হোম মিনিষ্টর অমিট শহানা কন্দেম তৌখ্রে, থিজিন্নবা এস আই টি শেমখ্রে



দিমাপুর, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) : নাগালেন্দ অমসুং লৈবাক অসি খক্তগী নত্তনা মালেমগী মীয়াম পূম্নমক্কী খ্বাইদগী লাইবক থীবা অমনি লৌবা য়ারবা থৌদোক অমদা ঙরাং ২১-পেরা কম্মান্দোজ (অসাম রাইফলস) পর্সনেলশিংনা অন্দরগ্রাউন্দ এন এস সী এন (কে-ৱাই এ) গী কাদরশিংনি হায়দুনা লান্না লৌরগা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌদোক্তা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টকী কোনয়াক মীচম ১৩ শিরগা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মায়োক্তা হৌরকখিবা খোয়শাওনরবা খুঞ্জাশিংনা লান্মীগী গাড়ীশিং অমসুং মখোয়গী কেম্পশিং মৈ থাদোকখ্রে। থৌদোক অসিবু নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিও, গভর্ণর প্রোফেসর জগদিস মুখি য়াওনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়নন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা অৱাংবা থাক্কী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা শেম্লে হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম লান্মীগী কাঙবু অদুনা মোন দিষ্ট্রিক্টকী টিরু-ওটিং লম্বী পরিংদা লালহৌবশিং লাক্কদৌরে হায়বা পাউ অমদগী লুমদুনা লৈরিঙৌগী চৈরক্তা নোংমগী খূৎশুমলদা হিংজরিবা কোল মাইন অমদা থবক শুবা য়াওবা মফম অদুগী মীচম নুপাশিং পিক-অপ ভেন অমদা পুল্লপ তোংলগা লাকখিবনি। মখোয় লাকপা উবদগী হান্নদগী লুমদুনা লৈরকখিবা লান্মীগী মায়কৈদগী অতৎ-অথম লৈতনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীচমশিং অদুবু হাৎখিবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী ইমুং-মনুংনা নুংতিগী হল্লকফম থোকপা মতম হেন্দোরক্লবা ফাওবদা মীওইশিং অদু হল্লক্তবদগী মখোয়না লাক্কদবা

...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা আয়ুস দিসপেন্সরি ১৫ অমসুং হোস্পিটাল ৭ লিংখৎলগনি লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫(ঐচএনএস): মিনিষ্ট্রি ওফ পোর্টস, সিপ্পিং এন্দ ৱাটর ৱেজ অমসুং আয়ুসকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালনা ঙসি লম্ফেলগী আই এম এ হোলদা পাঙথোকখিবা পাউম্মীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পাউতাক মতুংইন্না মহাক্কী মিনিষ্ট্রিনা মণিপুরদা আয়ুস ইন্দষ্ট্রি চাওখৎহন্নবা প্রোজেক্টশিং লৌখৎলে হায়বগা লোয়নন্না মহাক্কী মিনিষ্ট্রিনা আয়ুস দিসপেন্সরি ১৫, ফমুং ১০ লৈবা হোস্পিটাল ৭, স্কুল হার্বেল গার্দেন ১০০ অমসুং নর্সরি সেন্টর ১৬ দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লৈহন্দুনা ক্বালিটি লৈবা মেটরিএল পান্থীশিং পুথোক্লবা অমসুং হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর ৫০ থম্নবা লেপ্পরে হায়খি।

থবকশিং অসি মণিপুরগীদমক্তা পায়খৎপা হৌরে হায়বগা লোয়নন্না মসিগী মতুংদদি আয়ুস ইন্দষ্ট্রি হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনরগনি হায়খি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনসু থবকশিং অসি পায়খৎপদা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোক্লদুনা মেদিসিনেল প্লান্টশিং য়োকখৎনবগীদমক হার্বেল গার্দেনিং তৌগদবনি হায়খি।

মণিপুর অসি মেদিসনেল প্লান্টশিংগী ওইনা পোটেন্সিএল য়াম্না লৈবা অমসুং রিসোর্সফুল ওইবা মফম অমনি।

...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

মণিপুর চাওখৎহন্দুনা লৈরিবা ইস্যুশিং কোকহনগনি : এন ইবোহল

২৯-কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি

মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ২৯-কুম্বি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোকরক্লিবা নিংঙোম্থম ইবোহল (৫৭)না করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারক্লিবনো অমদি কুম্বি এ সীগী অমদি মণিপুর মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌবা পাল্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী 'মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং' হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পূম্নমক্না খঙমিন্ননবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্ননা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায় -

ৱাহং : লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

পাউ : মহেরোয় অমা ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা লৈবাক অসিগী করিগুম্বা থবক খরা তৌনিংবগী ৱাখল্লোল অদুমক ফাওদুনা লাকখি। মদুগী মতুংদা মহেরোয় লুপশিংদা য়াওদুনা তোঙান-তোঙানবা লমদম অসিগী ইস্যু কয়াদা থবক থৌরম কয়া তৌদুনা লাকখি। মণিপুরী হায়বা ফুরুপ অসি য়াম্না পীকপা ফুরুপ অমনি। মরম অদুনা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগী ফুরুপ অসিদা অচৌবা শাফু কয়া পীদুনা লাক্লিবা অসি থেংনননবা হোৎনদুনা ঙসিসু অদুমক থবক তৌদুনা লৈরি। কুমজা ১৯৮০গী মতমদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটিগী থৌমী অমা ওইনা হৌরক্তুনা ১৯৫১দা বেজ য়র ওইরগা মণিপুরদগী মীতোপ-মীরানচাশিং লৌথোক্কদবনি, মণিপুরদগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱর্স এক্ট লৌথোক্কদবনি, শেংলবা লাইফমলেন অমা ওইরিবা কংলাদগী আসাম রাইফল্স লৌথোক্কদবনি অমদি মণিপুর লোলবু নিপানশুবা সেদ্যুলদা চলহনগদবনি হায়বনচিংবা দিমান্দ কয়া তৌদুনা লাকখি। অদুবু মহেরোয় অমা ওইনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি মতম অদুগী লৈঙাক্না তাবিখিদে। তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি কায়নথংদা লৈঙাক্না পাঙথোক্কদবা

...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

মণিপুর লোকআয়ুক্তনা লৈঙাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরকপা কেস ৱিথদ্রো তৌজখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) : এন এল সী পি আরগী মখাদা অপূনবা কন্ট্রেক্ট এমাউন্ট লুপা ৯,৪৫,৮০,৬০৫না এম/এস শ্যামা পৱার (ইন্দিয়া) প্রাইভেট লিমিটেদনা চকপীকারোংদা ২x ১ এম ভি এ, ৩৩/১১ কেভি ষ্টেসন শাগৎনবা অমসুং চয়াংদগী চকপীকারোং ফাওবগী কিলোমিটর ৪৫ শাংবা লাইন তিংনবগী থবক্তা কন্ট্রেক্ট এগ্রিমেন্টকী মতুংইন্না তৌরমদ্রে হায়দুনা মণিপুর লোকআয়ুক্তদা ফাইল তৌরকখিবা কেস অমবু চেলেঞ্জ তৌরুবদা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা পুলিসতা ইনভেষ্টিগেসন তৌনবা খঙহনখিবগী মায়োক্তা হায় কোর্টতা লোকআয়ুক্তগী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি য়াওনা ওফিসলশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল রিভিজন পিটিসন অমা ৱিথদ্রো তৌজখ্রে।

লোকআয়ুক্তদা ৱাকৎলকপগী মায়োক্তা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর ২০৩ ওফ ২০২১ ফাইল তৌখিবা কমপ্লেনেন্টশিংনা ঈ ঈ ওইনা থবক্তগী পোথারবা মতুংদা হৌজিক এম এস পি দি সী এলগী জেনরেল মেনেজর ওইনা এনগেজ তৌরিবা থোকচোম কামিনিমোহোন অমসুং মনোহরময়ূম বুধচন্দ্রনি।

মখোয় অনীগী কমপ্লেন্ট কেস অসিগী মতাংদা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা নবেম্বর ১০, ২০২১দা পীখিবা ওর্দরদা কেস অসিদা প্রাইমাফেসি মেটরিএল লৈরে হায়বগা লোয়নন্না কোগনিজেন্স লৌখিবনি। অদুগা ইম্ফাল পি এসকী ও সীদা ইনক্বারি চৎথরগা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্নবা খঙহনখিবনি।

তাল্লকসিদা মণিপুর লোকঅয়ুক্তনা লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি (হোম), টি ঐচ কামিনিমোহোন, এম বুধচন্দ্রবুনা প্রিন্সিপাল রেসপোন্দেন্টশিং ওইহল্লগা মনিহার সরাংথেম অমসুং থিয়াম নিরোজবুনা প্রোফোর্মা রেসপোন্দেন্টশিং ওইহল্লগা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা নবেম্বর ১০, ২০২১দা পীখিবা ওর্দর

...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

শীংজমৈগী দিভেলপমেন্ট অমসুং থবক হাপ্পদা শেল লৌদে : খেমচান্দ

শীংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা বি জে পিগী পোলিটিকেল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) : মমাঙগী মীখলদা ভোট কারকপদু হান্না লৈরম্বা এম এল এনা থবক তৌমন্দবদগী মঙোন্দা পংনমদা নম্বদগী কাবা ওইরল্লে। মসি পারা অমা ওইনা তল্লগা থবক তৌনবা হোৎনজরকপনি অমসুং চহী ১/২ শেল তাল্লুরগা ভোট লেপকনি হায়দুনা থোরক্লগা কারকপশিং অদুনা তৌগদৌরিবা অসি করিনো হায়বা ৱাহংসু হংলদুনা স্পিকর য়ূম্নাম খেমচান্দনা অসিগুম্বা মীওই অসিদি অচৌবা শেল তানফম শেম্নবা দুকান হাংগে হায়বনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, এম এল এশিং অমদি পার্টিগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা শীংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা পাঙথোকখিবা বি জে পি শীংজমৈ মন্দলগী নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্সতা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা শীংজমৈগী দিভেলপমেন্ট অমদি থবক হাপ্পদা শেল লৌদে হায়রদুনা মসিগী মেসেজ অমা পীরগা মণিপুরগী এ সী খুদিংমক্কী এম এল এশিংদা শীংজমৈদা শেল লৌদে, নখোয়সু লৌরুনু হায়হনবা তারগদি মণিপুরদা করপসন হন্থরক্কনি হায়খি।

পার্টি প্রসিদেন্ট এ শর্দানসু শীংজমৈগী মীয়াম্না থাগৎপীরবা স্পিকরনা শেল লৌরগা থবক হাপ্পী হায়বগী রেকোর্দ অমত্তা লৈতে। মসিদগী হেন্না লাইবক ফবা এ সী অমত্তা লৈতে হায়রদুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা লিদর অসিবু মীয়াম্না শোয়দনা থাগৎপীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী ওমিক্রোন কেস ১২ শুরে

এয়রপোর্টতা স্ক্রিনিং তৌবা হৌরে : বিরেন

মণিপুরদা অনৌবা কোভিদ পোজিটিভ কেস ৩২ থেংনখি, ৪০ ফগৎলকখি, ১ লৈখিদে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) : সাউথ অফ্রিকাদা মমাঙ থাগী ২৪দা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট অমা ওইরিবা 'ওমিক্রোন' পোজিটিভ ওইবা মীওইশিং মালেমগী লৈবাকশিংদা মথং মথং থেংনরকখিবগা লোয়নন্না থা অসিগী ২দা লৈবাক অসিগীসু অহানবা ওইনা কর্ণাটকাদা পোজিটিভ কেস ২ থেংনখ্রবা মতুং ঙসি লৈবাক অসিগী কোনুং ওইরিবা দেল্লীদসু ওমিক্রোনগী পোজিটিভ কেস অমা থেংনখিবগা লোয়নন্না ঙসি নুংথিল ফাওবদা অনৌবা ভেরিএন্ট অসিগী কেসশিং থেংনবা পূন্না ১২ শুখ্রে।

দেল্লীদা ঙসি থেংনখিবা কেস অদু তাঞ্জানিয়াদগী লাকখিবা মীওইনি। মহাক্না লৈবাক অসিদা থুংলবগা পন্থুদনা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা চলাইরিবা লোক নায়ক জয় প্রকাস হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি। লোয়নন্না পন্থুদনা চথখিবা মেদিকেল ইনভেষ্টিগেসনগী প্রিলিমিনরি রিপোর্টতা মহাক ওমিক্রোন ভেরিএন্ট পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙলকখিবনি।

ঙসি দেল্লীদা ভেরিএন্ট অসিগী অনৌবা কেস অমা থেংনখিবগা লোয়নন্না লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা কেস মশীং পূন্না ১২ শুরে। অহানবা ওইনা কর্ণাটাকাদা ২ থেংনখ্রবা মতুংদা ঙরাং গুজরাটতা ১ থেংনরগা মহারাষ্ট্রদা কেস ৮ থেংনখিবনি।

কেপিটেল সিটি দেল্লীদা অনৌবা কেস অমা মায়োক্লরক্লিবা অসিগী মতাংদা দেল্লীগী হেল্থ মিনিষ্টর সট্যন্দ্র জেননা ঙসি ফোঙদোকখিবদা তাঞ্জানিয়াদগী লাকখিবা মীওই অদুগী য়াওনা পূন্না সেম্পল ১২ জেনোম সিক্কেন্সিং চথখিবনি। অদুগা সেম্পল ১১না নোর্মেল কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরগা

...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

রামেশ্বরগী পিপলস কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে

People's Convention
Patsoi Assembly constituency
Date: 5th De
RI RK RAMESHWAR SING
Aphab Tunglamchat Amagidam

ভোট কাখ্রগা এম এল এশিংনা মীয়াম্বু কাউথোকপগী চৎনবী শেমদোক্কনি : আর কে রামেশ্বর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : ভোট কাদ্রিঙৈ মতমদনা মীয়ামগী মনাক্তা চৎতুনা অৱাৎ-অপা হংবা অদুগা ভোট কাখ্রবা মতুংদনা মীয়াম্বু কাউথোকপগী মণিপুরদা লিশাং শিৎনা চৎনদুনা লাক্লিবা চৎনবি অসি শেমদোক্তুনা মীয়ামগা হেন্না নক্লবা মীহুৎ অমা ওইদুনা লৈবাক মীয়ামগী থবক কৎথোকপা অমগা লোয়নন্না থবক তৌগনি হায়না পাৎশোয় এ সীগী মীরেপ ওইগদৌরিবা আর কে রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি আর কে রামেশ্বর পাৎশোয় কন্সটিট্যুএন্সি ইলেক্সন কম্মিটিনা শিন্দুনা চঙাংঙৈ ৱাটর সপ্লাই লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা

...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
● Minimum Down Payment
● No Guarantor required
● One Day Delivery
Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur
Pliz contact :-
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-P/7272/10th Nov to 10 Dec.

HL-B/7333/05

PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHFCL)

Regulated by Reserve Bank of India (RBI)
Tourangbam Leikai, Uripok, Imphal.

ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤꯗꯃꯛ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯔꯕ ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/মীয়ামগীদমক নুংঙাইরবা পাউজেল

ইরমদম মণিপুর অসিগী প্রজা সেক্সন খুদিংমক্না ঐখোয় পূম্নমক্কী অমত্তা ঙাইরবা Indigenous Public Limited Finance Company অমা ওইখ্রবা "Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL)" অসি করম্বা মখলগী "Financial Institution" অমা ওইখ্রবগে হায়বসিগী মতাংদা অসুক্কী মতিক কুপশিন্না মনুং হুঞ্জিন্না ময়েক শেংনা খঙমিন্নবগী তঙাইমক ফদ্রবা তাঞ্জা মতম অদুমক ঙসিদি চপ চানা ওইরে। কম্পেনি অসি হৌখিবা 7th September, 2005 তা তৌরাংবম লৈকায়, উরিপোক, ইম্ফালদা লিংখৎচখিবনি। ঙসিদি চহী ১৭কী খোঙচৎতা লাকচখ্রে। শাংলবা চহী ১৭কী খোঙচৎ অসিদা single negative remark অমত্তা লৈজদ্রিবা অসুক্কী মতিক clean ওইরবা অমসুং promising ওইরবা Financial Institution অমনি।

১) Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অসি ইরমদম মণিপুর খক্তংগীদা নত্তনা whole Entire North Eastern Region of India গী ওইনা Reserve Bank of India (RBI) না regulate তৌবা ইহান হানবা First Licence Holder Public Limited Housing Finance Company অমনি। Ministry of Finance, Department of Financial Services, Govt. of India নসু "Securitisation and Reconstruction of Financial Assets and Enforcement of Security Interest (SARFAESI) Act, 2002 গী মখাদা "Financial Institution" অমা ওইনা শক খঙখ্রবনি।

২) Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অমসুং Central Government অনীগী মরক্তা National Housing Bank (NHB) না Central Nodal Agency ওইদুনা 1st time, 2nd time অমসুং 3rd times MoU শিং মথংশিংনা সাইন তৌনদুনা হৌখিবা ২০১৫গী জুন থাদা কন্ত্রি অসিগী Honourable Prime Minister Shri Narendra Modiji না launch তৌবিখিবা মীয়ামগীদমক অসুক্কী মতিক কান্নখ্রবা স্কিম অমা ওইরিবা "Pradhan Mantri Awas Yojana - Credit Linked Subsidy Scheme (PMAY-CLSS), Housing for All by 2022 Mission" গী মখাদা Rs. 2.67 Lakhs ফাওবগী ফজখ্রবা Subsidy amount অমা য়াওরবা "Subsidised Home Loan" গী খুদোংচাবশিং ইরমদম অসিগী প্রজা মীয়ামদা ফংহন্দুনা লাকচরি। Semi Pucca অমসুং Pucca গী ওইবা মশীং য়াল্লবা য়ুমশিং কয়া অমা শাজখ্রে।

৩) Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অসি ঐখোয়গী country india খক নত্তনা অতৈ অতোপ্পা country শিংদসু expansion তৌবা য়ারবা International level গী থাক্তা লাকখ্রবা solid foundation ওইরবা অসুক্কী মতিক promising ওইরবা "Public Limited Finance Company" অমনি। ঙসিদি growth কী expansion গী মতম ওইরে। মরম অদুনা ইরমদম অসিগী প্রজা সেক্সন খুদিংমক্না "Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অমসুং Sister Company" শিং অসিবু অমুক্না হেন্না মুন্না শক খঙমিন্নদুনা Regular Home Loan, Subsidised Home Loan, Loan Against Property, Business Loan, Flat/Apartments অমসুং Investment Policy নচিংবা থমজরিবা খুদোংচাবশিং অমসুং Financial Facility শিং খুদিংমকশিং অসি লৌমিন্নদুনা হীরম খুদিংমক্তা ৱাত্ত-পাদবা, নুংঙাই-য়াইফবা, তংদু-লৈতাবা ইরমদম ইজাতি মণিপুর অমা ওইরক্নবগীদমক হোৎনমিন্নরসি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি থমজরি।

Thokchom Hemo Singh
Chairman and Managing Director, Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL)
Tourangbam Leikai, Uripok, Imphal

HL-P/7324/1 to 30 Dec.

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৮.২৫°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১০.৩৪°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.২৮
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫

HL Poll

Q: Manipur leingakna paikhatliba schemesingna vote khombagi pambei oihallakpa achumba khongthang oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: PMUYgi makhada gas cylinder pikhiba meeoising congresski meefamda yaoe haiduna amuk loukhatpasibu achumbani lougadra?

Yes 12% No 88%

অস! লোইরেহে!

- ইবোশা, হন্দক্তি ঐ নোটাদা থাদরনি। ঐঙোন্দা কাইহৌবীরনু।



- খুরা অদুনা ফরে, ঐসু ভোট থাদনীংদদুনা মীরেপ ওইজবনি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫